## জোন্সন ফিভম ফগৎলক্লে

লন্দন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯গী লায়েং কন্না চথুরিবা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন আই সী য়ুদা মতম খরা লৈরকখিবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা হকচাংগী ফিভম ফগৎল্লক্লে হায়রি।

চৈরকসিদা, লৈবাক অদুদা লৌখৎলিবা লোকদাওনগী থৌরাংশিং রিভিয়ু তৌনবগী গভর্নমেন্টকী ইমর্জেন্সি রেস্পোন্স মীফম অমা মহাক্কী দেপ্যুটি ওইনা থবক পুরিবা ফোরেন সেক্রেটরি দোমিনিক রাফনা চ্যের লৌদুনা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

## গভর্নমেন্টতা য়াওরোই

বাঘদাদ, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা য়াবা মীশক্কি হায়না ফম অসিগীদমক্তা খনখ্রবা অদনান অল-জুর্ফিনা মহাক অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বদা শরুক য়াররোই হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মরু ওইবা পোলিটিকেল ব্লোকশিংনা ইন্টলিজেন্স চীফ মুষ্টাফা অল-কদেমিবু নোমিনেসন তৌদুনা মহাক্কী মহুৎ শীনে দাক্লবা ৱাফম হৌদোক্লরকখিবদগী অদনানননা মহাক ইরাক্কী অনৌবা গভর্নমেন্ট শেম্বদা য়াওররোই হায়না ফোঙদোরকখিবনি। ৱারেপ অসি মহাক্কা ইরাক্কী য়ুনিটি কায়দনবগীদমক লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ‘পাকিস্তানদা কোভিদ-১৯গী ফিভম লুশিল্লকপা য়াই’



ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

নোভেল কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা মীয়ামদা সোসল দিষ্টেন্সিং চেকশিন্না ঙাক্লবা তকশিনবগা লোয়নননা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না চেকশিনৱা হায়খ্রে মদুদি, পান্দেমিক অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফিভম লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা লুশিল্লকপা য়াই।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইস্লামাবাদতা প্রেস ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর খান্না হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবদা পাকিস্তান্দা কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবগী চাং নেম্বনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুদা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং তপ্পী হায়নরিবসি অরানবা ৱাখল্লোলনি। লৈবাক অদুদা লাইচৎ অসি য়াম্না থুনা শন্দোরক্লোই হায়বসি অরানবা ৱাখলনি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা পান্দেমিক অসিগী ফিভম লুশিল্লকপা য়াই।

ঐখোয়না লাইচৎ অসি থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎহৌদবা তারবদি লায়না অসিগী কেস য়ুরোপতা থোক্লিবা অসিগুম্না পাকিস্তানদসু কিনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলক্কনি অমসুং ঐখোয়দা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা থোকহনগনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি মদুদি, লোকদাওন্না থাঙ্গৈশেংবা সোল্যুসন অমা ওইবা য়ারোইদবনা মীয়াম্না তঙাইফদনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবনি। গভর্নমেন্ট অমসুং পুলিসনা মীয়াম্বু নম্ফুদা ময়ুমদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বা ঙম্লোই।

মহাক্না চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, মীয়াম্না মশা-মশানা সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎনবী নীংথিনা ঙাকচদবা তারবদি শাথিরবা ভাইরস অসি খোঙজেল য়াংনা শন্দোরক্তুনা হেল্থকেয়র সিষ্টেমদা অচৌবা পোৎলুম অমা লৈহল্লগনি। চাইনা নৎত্রগা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা তৌনবগুম্না পাকিস্তানদা লোকদাওন মপুং ফানা চৎনহনবা ঙম্লোই। অসিগুম্বা থৌরাং মপুং ফানা চৎনহনবগী মহুত্তা ঐহাক্না মীয়ামদা ভাইরস অসি কন্ত্রোল তৌনবা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎচনবা আপিল তৌরি। শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা পাকিস্তানগী কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং ৪,৪০৯ য়ৌখি অমদি ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশিংনা ৬৬ য়ৌখি। পুন্না কেস ২,১৬৬ কা লোয়নননা পঞ্জাব প্রোভিন্সনা খ্বাইদগী ফিভম থিনা শোক্লবা পাকিস্তানগী প্রোভিন্স ওইরি। সীন্দ প্রোভিন্সনা ইনফেক্সন ১,১২৮ গা লোয়নননা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অনীশুবা প্রোভিন্স ওইরি।

# কোলিসন্না য়েমেনদা সীজফায়র হৌখ্রে, মরা তপ্পা ফিভম লাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে



এদেন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

মালেম শীন-থুংনা কোরোনা-ভাইরস লাইচৎ শন্দোরকখিবগী রেস্পোন্স ওইনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না য়েমেনদা শগোলশেল নুমিত্তগী সীজফায়র চৎনহনবা হৌখিবগা লোয়নননা লৈবাক অদুবু শাথিবা চাকতাংবগী ফিভম অমা মায়োক্লহন্দুনা ফিভম ফাওবা লৈরবা চহী ৫ শুরবা লৈবাক অদুগী লান অদু লোইশিল্লবা য়াই হায়বগী থাজবা পোকহনখি।

হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০০,০০০ হেন্না শিহনখ্রবা কনফ্লিক্ট লেপহন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং শৌগৎলদুনা য়েমেনগী হৌথি মুভমেন্টকী মায়োক্তা লান শোক্লরিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন অমনা জি এম টি ০৯০০দগী চয়োল অনী ফাওবা মিলিটরি ওপরেসনশিং লেপ্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

কেপিটেল সানা অমদি য়েমেনগী মরু ওইবা অর্বান সেন্টরশিং কন্ত্রোল তৌরিবা ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথি মুভমেন্টকী লুচিংবশিংনদি মান্নবা খোঙথাং লৌখৎলক্কদ্রা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

করিগুম্বা কোলিসনগী ৱারেপকী মতুংদা গ্রুপ অসিনসু লান লেপ্পা তারবদি কুমজা ২০১৮ গী অথেংবা শরুক্তগী লৈবাক অদুদা অহানবা ওইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকপা ওইগদৌরিবনি। মালেমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ কনখৎলকখিবগা ইরোয়নননা সীজফায়র পুরকপগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

# ‘স্পেনদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ হন্থরকপা য়াবগী মতম নকশিল্লক্লে’



মদ্রিদ, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

স্পেনদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ হন্থরকপা হৌগদবা মতম নকশিল্লক্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সাঞ্চেজনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক্না পোলিটিকেল পার্টিশিংদা হেল্থ ক্রাইসিস অসিগী মতুংদা লৈবাক্কী ওইবা শেল-থুমগী ফিভম মহৌশাগী ওইবা ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবগী পেক্ট অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নরসি হায়না আপিল তৌখ্রে।

শাথিরবা মৈজাও অসি কন্ত্রোল তৌবা ঙম্বগী ফিভম লাকপা হৌরে। ভাইরস অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসি চাওনা মাই পাক্কনি হায়না মহাক্না মেম্বর মশিং য়াম্না হন্থনা শরুক য়াখিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

লো মেকর ৩০০ হেন্না লোকদাওনগী রেগ্যুলেসন্না মরম ওইদুনা মীফম অদু পার্লিয়ামেন্টতা লাক্তুনা শরুক য়াবগী মহুত্তা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ওইনা লাপ্পা শরুক য়াখি। স্পেনদা মখা তানা চয়োল অনী ইমর্জেন্সি শাংদোকপগী ৱাফমদা ভোট লৌননবা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। লৈবাক অদুদা চয়োল অনী অমগসু ইমর্জেন্সি শাংদোকপা তারবদি মীয়াম্না এপ্রিল ২৬ ফাওবা য়ুমদগী হেন্দাক্তনা লৈনগদৌরিবনি।

কোভেদ-১৯ লায়না লাকশিন্নবা স্পেননা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংনি য়ুরোপতা খ্বাইদগী কনবা থৌরাংশিং হায়বা য়াই। থৌরাংশিং অদুনা শাথিরবা লাইচৎ অসিদা মী শিহনবগী চাং তঞ্জায় অমা হন্থহনখি অমসুং নুংতিগী ওইনা অনৌবা ইনফেক্সন হেনগৎপগী চাংসু চাদা ২২ দগী ৪ দা হন্থহনখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সাঞ্চেজনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎকী খ্বাইদগী নৌবা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী দেতানা লাইচৎ অসিদা স্পেনদা শিবা মী মশিং ৭৫৭ হেনগত্তুনা পুন্না ১৪,৫৫৫ য়ৌরে হায়বসি উৎখি। মশিং অসি ইটালি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতুংদা কোরোনাভাইরসনা মী মশিং খ্বাইদগী হেন্না শিহনবদা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অহুমশুবনি। স্পেনগী কোভিদ-১৯গী কেস মশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ১৪০,৫১০ ওইরম্বদগী মথংগী নুমিৎ য়ুমশকৈশাদা ১৪৬,৬৯০ য়ৌখি। লোকদাওন শাংদোক্লবসু স্পেনিস গভর্নমেন্টনা কম্পনিশিংদা থল্লম্বা অথিংবশিং থেংখাং নাইনা কোমথোক্লবা থৌরাং তৌরি। চয়োল অনীরোমগী মমাংদা লৈবাক অসিনা নন-ইসেন্সিয়ল বিজিনেস পুন্নমক থিংজিনখিবনি।

# চাইনাদা কোভিদ-১৯গী লাইওং উত্তবা মীওইশিংনা ইনৌ নৌনা লাইচৎ থোকহনবা থিংনবগী থৌরাং লৌখৎখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

চাইনাদা ইনৌ নৌনা কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং খরা হেনগৎলকপগী ফিভম লাকখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা লাইওং উত্তবা ভাইরস অসিগী সাইলেন্ট করিয়রশিংনা অনীশুবা ইনফেক্সনগী তাঙ্কক অমা লাকহনবা থিংনবগী অনৌবা থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।



নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মেনলেন্দ চাইনাদা অনৌবা ইনফেক্সন ৬৩ রিপোর্ট তৌখ্রবনি। মমাংগী নুমিত্তা কেস ৬২ লৈরম্বদগী হেনখি। কেসশিং অসিগী মনুংদগী ৬১ দি মপান্দগী লাকপশিংনি। ইনৌ নৌবা কেসশিং অসি থারগা চাইনাদা কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং পুন্না ৮১,৮৬৫ য়ৌরে।

ওথোরিটিশিংনা সিটি কয়া লোকদাওন তৌবগা লোয়নননা চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা কয়া থমখিবা মতুং হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা অনৌবা ইনফেক্সন মশিং হন্থবগী ফিভম লাকখিবদগী গভর্নমেন্টনা মপান্দগী চঙলকপশিংনা ইনৌ নৌনা লাইচৎ থোকহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা মরক্তা মীয়ামদা মখা তানা চেকশিন্না লৈনবা আপিল তৌখি।

মপান্দগী কোরোনাভাইরস পল্লবা মীওইশিং চঙলকপা লাকশিন্নবা হোৎনবগী মথক্তা চাইনানা লুনা লৌরিবা অতোপ্পা থৌরাং অমদি ফিভর নৎত্রগা লোক খুবগুম্বা ক্লিনিকেল লাইওংশিং উত্তবা হায়বদি লাইওং উত্তনা ভাইরসকী করিয়রশিং ওইরিবা মীওইশিংবু য়েংশিনবা অসিনি।

চাইনাগী ত্বিটরগুম্বা ৱৈবো সর্ভিসতা লাইওং উত্তপা নোভেল কোরোনাভাইরসকী সাইলেন্ট করিয়রশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া থাগৎনখি।

পিপলস লিবরেসন আর্মিগী জেনরেল হোস্পিটালগী রেস্পিরেটরি মেদিসিনগী প্রোফেসর অমা ওইরিবা লিয়ু য়ৌনিংনা হায়খি মদুদি, লাইওং উত্তনা ভাইরসকী করিয়রশিং ওইরিবা মীওইশিংনা থোইদোক্না অরুবা ফিভম লাকহন্নিংঙাই ওইদে হায়না লৌনরবসু মীয়াম্না য়ারিবমখৈ মী চিনবা মফমশিংদা চঙলোইদবনি। সোসল দিষ্টেন্সিং নীংথিনা ঙাকপগা লোয়নননা মাস্ক উপকদবনি অমসুং খুৎ-শাশিং শেংনা হামগদবনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা মপান্দা থোরকপদা মাস্ক উপ্পদবা য়াওরিবসি তৌরোইদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# দিল্লিগী কেন্সর ইন্সটিট্যুটতা ষ্টাফ ৩ অমসু পোজিটিভ ওইরে





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

দিল্লি ষ্টেট কেন্সর ইন্সটিট্যুটকী দোক্তর অমা য়াওনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ষ্টাফ অহুম অমসু কোভিদ-১৯গী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইদুনা পুন্না কেস মশিং ২১ য়ৌরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ইন্সটিট্যুট অসিগী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দি এস সী আইগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট বি এল সেরৱালনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টাফকী মীওইশিং অসুম্না মখা তানা চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা লাইবক থিবনি। হোস্পিটাল অসিনা ইনফেক্সনগী হৌরকফম খঙদোক্লবা থিজিল্লি। পেসেন্টশিংদগী লৌখিবা সেম্পলশিংগী রিপোর্টশিং ঙাইরিঙৈ চৈরকসিদা দোক্তর অমা, নর্সিং ষ্টাফ অমা অমসুং সেনিটেসন ষ্টাফ অমা চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহৌশানা রিপোর্ট লাকপদা নুমিৎ নিনি চঙলবসু সেম্পলশিং থাখিবা নুমিৎ হুম্নি শুরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, মফম কয়াদগী থানরকখিবা সেম্পল মশিং য়ামনখিবনা লেবশিংদা হৌজিক প্রেসর য়াম্না লৈরে।


কোরোনাভাইরসনা শোক্লবা ষ্টাফকী ইমুংশিংসু হৌজিক খুদোংথিবা মায়োক্লরে। ষ্টাফ মরক্তগী অনীদি চহী নৌরিবা অঙাংশিং চেল্লি। তৌইগুম্বসুং লাইবক ফবদগী মখোয় চাংয়েংদা কোরোনাভাইরস নেগেটিভ ওইরক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পি পি ঈ কিটশিং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা অনৌবা ইনফেক্সনশিং অসি লাকপগী মরম ওইগদ্রা হায়না হংবদা ওফিসল অসিনা পর্সনেল সেফটি ইক্বিপমেন্টকী অৱাৎপা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। কনফার্ম তৌরবা নৎত্রগা চিংনবা য়াবা কেসশিং হেন্দল তৌবদা হকচাং পুম্বা য়োম্বা ফিজোল শীজিন্নগদবনি। বোদিসুটশিং অসি অশেংবা কেসশিং লায়েংবদা শীজিন্নগদবনি।

# গুজরাটনা মপান্দগী টেষ্ট কিট ৫০,০০০ লৈনবা ওর্দর তৌখ্রে

গান্ধিনগর, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা গুজরাট গভর্নমেন্টনা রেট (রেপিট এন্টি-বোদিজ টেষ্টিং) কিট ৫০,০০০ মপান্দগী লৈননবা ওর্দর তৌখ্রে। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতগী ফংলিবা কিটশিংগী মথক্তা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অহেনবা কিটশিং লৈননবা ওর্দর অদু তৌখিবনি।



শাথিরবা ভাইরস অসিগী কমপ্লিমেন্টরি টেষ্ট পাঙথোকপদা শীজিন্ননবা ঐখোয়না রেট কিট ৫০,০০০ ওর্দর তৌখ্রে। অথুবা মতমগী মনুংদা পোৎ থুংলরগনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট গুজরাটকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জয়ন্তি রাবিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না সেন্টরদগী লাক্কদবা অহানবা বেচকী কিট ৩,০০০ দগীনা ৪,০০০ ফাওবা ইরাই নুমিৎকী নুংমিদাং নৎত্রগা থাংজ নুমিত্তা থুংলরগনি।

রেপিদ এন্টি-বোদি কিট অসি রিভর্স ট্রান্সস্ক্রিপসন পোলিমরেজ চেন রিয়েক্সন (আর টি পি সী আর) টেষ্টকুম্না কোরোনাভাইরসকী মপুং ফাবা টেষ্ট অমদি ওইদে। অকোনবগী টেষ্ট মখল অসিদি পেসেন্ট অদুনা লাইওং অমত্তা উৎপা তৌদ্রবসু মশাদা ভাইরস পক্লে হায়বসি খঙবা ঙমহল্লিবা কোরোনাভাইরসকী খ্বাইদগী এক্যুরেট ওইবা টেষ্টনি। তৌইগুম্বসুং মসিগী টেষ্ট অসি মতম খরা শাংনা চঙবগা লোয়নননা শেল চঙবসু হেল্লি।

অমরোমদা, রেটনা করিগুম্বা মীওই অমনা ভাইরসনা এটেক তৌবগী লাইওংশিং উৎলকপা লৈরবদি মহাক্কী মশাদা এন্টি-বোদি য়াওরে হায়বসি খঙবা ঙম্মী। চাংয়েং অসি কনফার্ম তৌনবগী চাংয়েং অমনি হায়নদি লৌনদে। তৌইগুম্বসুং রেট কিট অসি মমল হোংবগা লোয়নননা রিজল্ট থুনা পীবা ঙম্মী হায়রি।

# কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা জি সী সীনা মীয়াম্বু য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈহল্লগা তঙাইফদবা পোৎলমশিং থোঙ্গান্দা থিনবিরি



চেন্নাই, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা কন্ত্রোল তৌনবগীদমক্তা গ্রেটর চেন্নাই কোর্পোরেসন (জি সী সী)না লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা মীয়াম্বু য়ুমদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বা, নন-ইসেন্সিয়ল ষ্টোরশিং থিংজিনবা অমসুং তঙাইফদবা আইটেমশিং মীয়ামগী থোঙ্গানশিংদা থিনবিবগা লোয়নননা ভাইরস শন্দোরকপা য়াই হায়না চিংনবা য়াবা মীওইশিং সর্ভে তৌথোক্তুনা খঙদোকপগী থবক য়াওরি।

মীয়াম্না হৱাই-চেংৱাইশিং, চান-থক্লবশিং অমসুং এঞ্জাং-নাপিশিং লৈবগী মিংদা য়ুমদগী মপান থোক্লরকপদগী জি সী সীনা হায়রিবা আইটেমশিং অসি য়োন্নবা মোবাইল দুকানশিং লোঞ্চ তৌখ্রে।

জি সী সীনা টামিল নাদু ট্রেদরস এসোসিএসনশিংগা খুৎশম্নরগা মোবাইল দুকানশিং শেমগৎখিবনি। স্কিম অদুগী মখাদা ট্রাইসাইকল ৫,০০০ অমসুং মোটোর ভেহিকল মচা ২,০০০ শীজিন্নরগা সিটি শীন-থুংনা মনা-মশিং অমসুং হৱাই-চেংৱাইশিং য়োলহনগনি। থৌরাং অসিনা রিটেল আউলেটশিংদা মী ওমশিনবগী চাং হন্থহনবগা লোয়নননা কোরোনাভাইরস খোঙজেল থুনা শন্দোরকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহনগনি হায়না মশক-মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

লন্নাই ট্রেদরশিং নৎত্রগা কম্পনিশিংনা মোবাইল মার্কেট ড্রাইভ অদুদা শরুক য়ানিংলবসু মখোয়না জি সী সীগী জোনেল ওফিসশিংদগী পাসশিং লৌবা য়াহনগনি হায়রি। অদুমওইনমক মোবাইল দুকানশিং অসি রিটেল আউলেটশিংগী মহুৎ শীনগদবদি নত্তে হায়না জি সী সীগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। কোভিদ-১৯ না শোকহল্লবা লৈবাকশিংদগী হল্লকখিবা মীওইশিংদা মীৎয়েং থল্লদুনা জি সী সীনা মখোয়গী য়ুমশিংগী মপান্দা হোম ক্বারন্টিন নোটিসশিং থেৎপসু হৌখ্রে হায়রি।

# হিমাচলগী ফার্মশিং দিমান্দ কোন্নবা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্বিন শারি

সিমলা, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরসকী পান্দেমিক লাকপসিদা মালেম পুম্বগী দিম্মান্দ কোন্নহনবা ঙম্নবা হিমাচল প্রদেশতা বেজ তৌবা ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনিশিংনা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্বিন হায়রিবা দ্রগ অসি শারি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর জয়রাম থাকুরনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।





মহাক্না হায়খি মদুদি, হীল ষ্টেট অদুগী বাদি, বারোতিৱালা অমসুং নালাগর এরিয়াশিংদা লৈরিবা ফার্মা য়ুনিট ২৫০ রোম্না হীদাক কয়া শাবগী থবক চথুবা হৌখ্রে। মখোয়গী মনুংদগী য়ুনিট কয়ানা হীদাক মখল অসি শারি। চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ফার্মা কম্পনিশিংগী মীহুৎশিংগা ইন্টরেক্সন তৌনবদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখোয়দা হায়দ্রোক্লোরোক্বিন য়াওনা পুন্সি কনগদবা দ্রগশিং অয়েৎ-অপন থোকহন্দনা শাবা য়ানবা পাংবা য়াবা মতেং খুদিংমক পাংগনি হায়না থাজবা পীখি।

মহাক্না ভিদিও কনফরেন্স অদুদা কেপিটেল সিমলাদগী কদিলা ফার্মাস্যুটিকেলস, ডা. রেদিস লেবোরেটরিস, অলকেমিষ্ট অমসুং টোরেন্ট ফার্মাস্যুটিকেলস লিমিটেদকী মীহুৎশিংদা ৱা ঙাঙখি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱারোল পল্লদুনা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, দ্রগ মখল কয়ামরুম শানবগী মচাকশিংগী সপ্লাই চেন হেন্না চেকশিনহনবগা লোয়নননা ষ্টেট অসিনা ৱর্কফোর্সকী মুভমেন্টদা অকায়বা অমত্তা থোকহন্দনবা তঙাইফদবা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎলগনি। কম্পনিশিং অসিনা পুথোক্লিবা হীদাকশিং পুথোক-পুশিন তৌবদা খুদোংচাহন্নবগীদমক্তা ট্রক মরাং কায়না ফংহল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফার্মাস্যুটিকেল কম্পনিশিংগী মীহুৎশিং অদুদা থাজবা পীখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা গেম চেঞ্জর অমা ওইগদৌরিবনি হায়রিবা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্বিন সপ্লাই তৌনবা ইন্দিয়াদা কন্না প্রেসর পীখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।